# HUEIYEN LANPAO
# হুইয়েন লানপাউ
Refreshingly Reliable
The messenger of the masses




আই সী এ আর রিজনেল সেন্টর ফোর এন ঈ ঐচ রিজন, উমিয়ামদা পাঙথোকপা নেসনল সাইন্স দে ২০২০গী শরুক অমা ওইনা ক্বিজ কম্পিটিসনদা শরুক য়াখিবা মহৈরোয়শিং




খোংনাং অনী কারক্তা লৈবা অদিমজাতিগী এমিটি হোলদা ইন্দিজিনস মাইনোরিটিজ সোসিও কলচরেল ওর্গনাইজেসন মণিপুরগী ৫শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখিবা

লামায় ১




য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ ট্রাইবেল এফেয়র্সনা হৌদোকখিবা প্রধান মন্ত্রি বন ধন যোজনাগী মখাদা কাংপোকপীদা পাঙথোকখিবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংগী ওইবা এদভোকেসি কম ট্রেনিং প্রোগ্রাম

লামায় ৫



মণিপুর চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরম্বা মেজর বোব খটিংগী ১০৮শুবা মপোক কুমওন থৌরম মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা ভেলি ভিয়ুদা পাঙথোকখিবা

লামায় ৪

Vol. 43, Issue No.329 | থাংজ, লমতাগী ৬নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Saturday, February 29, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## এ টি এম কার্দ স্কিমিং তৌরগা অরানবা মওংদা শেল লৌথোক্লম্বা নন লোকেল অহুম ফারে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮(ঐচ এন এস): মীয়ামদা নমথাক তৌরগা ওতোমেটেদ টেল্লর মেচিন (এ টি এম) কার্দ স্কিমিং তৌদুনা শেল হুবগী থবক্তা হৈ শিংলবা নন লোকল অহুম ইম্ফালগী সাইবর ক্রাইম পুলিস ষ্টেসননা ফাগৎলে হায়না সী আই দি (ক্রাইম ব্রাঞ্চ)গী এস পি জোইস লালরেমাৱিনা ফোঙদোকখ্রে।

সী আই দি (সী বি)গী এস পিগী ওফিস চেম্বরদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা ঙসি জোইস লালরেমাৱিনা মখা তানা হায়, থোংজু ফৈজালৈতোংদগী সগোলশেম জোন্সন (৩৫), অপোকপা এস চনবী কৌবা *হুইয়েন লানপাউ*পাউচেগী ষ্টাফ অমনা এ টি এম কার্দ স্কিমিংদা চেন্নবনি হায়বা নন লোকল অমা ফারগা সাইবর ক্রাইম পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নরকখি।

ফারবা মীওই অদুগী মমিং সঞ্জয় কুমার (৩৫), অপোকপা চন্দ্রসিং কৌই। দিল্লিগী নিথারি মনুং চনবা সুলতানপুরিদগীনি।

জোন্সনদগী ফংবা পাউ অতুং ইন্না ঙরাং নুংথিল পুং ৪ রোম তাবদা সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায়দা লৈবা এ টি এম বুথ অমদা নন লোকল অনী লাকখি। মফম অদুদা নুপী অমনা শেল লৌথোক্লগা চৎখ্রবা মতুংদা জোন্সননা মহাক্কী নৌনা লাকপা এ টি এম কার্দকী পিন জেনরেট তৌনবা হোৎনখি। তাঞ্জা অদুদা নন লোকল অনী চঙলক্লগা মখোয় এস বি আইগী ষ্টাফনি হায়না মশক তাক্লবা মতুংদা পিন জেনরেট তৌবদা মতেং পাংবীগে হায়না ফোঙদোরকখি। মদুদা মহাক্না চিংনবদগী মশা মথন্তনা এ টি এম কার্দকী পিন জেনরেট তৌনবা হোৎনখি। অদুবু নন লোকল অনী অদু চঙশিল্লকপগা লোয়ননা জোন্সনগী পিন খঙদোকখি। অদুমওইনমক পিন জেনরেট তৌবগী প্রোসেসতি মপূং ফাবা ঙমখিদে হায়রি।

মতুং তারকপদা জোন্সননা এ টি এম বুথ অদুদগী থোক্লবা হোৎনরিঙৈদা নন লোকল অমনা কার্দ অমা পুথোক্লগা এ টি এমদা হাপচিনখি। মদুদা মহাক্না চিংনদুনা য়েংলুবা মতমদা জোন্সননা পিন জেনরেট তৌনবা হোৎনবদা শীজিন্নখিবা নম্বর অদুম্মক নন লোকল অদুনা শীজিন্নরকখিবনি। কা হেন্না চিংনবদগী মহাক্না নখোয় অনী কনা-কনানো হংবদা দিফেন্স পর্সনেলনি হায়না অমুক মশক তাক্লকখি হায়রি। মখা তানা ৱারী শাননবা হোৎনরিঙৈদা নন লোকল অমা মফম অদু থাদোক্তুনা লম্বী লান্থোক্লগা চেনখি। মতম অদুদা জেন্সননা অতোপ্পা নন লোকল অমগী খুদাং পায়রগা ফানবা হোৎনরুবদা মখূৎ কন্থোক্লগা চেনখিবনি হায়রি।

জোন্সননা লম্বীদা লাকপা নহা খরগা লোয়ননা নন লোকল অদু তান্নদুনা ফারবা মতুংদা সাইবর ক্রাইম পুলিসতা খুৎশিন্নখিবনি।

সাইবর ক্রাইম পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নরবা সঞ্জয় কুমারবু ৱাহং-পাউহং চথবদা মখোয় ফেব্রুৱারী ২৬তা থুংলগা ইম্ফালগী এম জি এভিন্যুদা লৈবা হোটেল অমদা লৈরকখিবনি হায়বা খঙবা ঙমখি। সী সী পিগী টিম অদুনা হোটেল অদুদা সঞ্জয় কুমার পুরগা চৎখি। অদুবু অতোপ্পা নন-লোকল অনী অদুদি মণিপুর থাদোক্লগা চৎনবা থৌরাং তৌখ্রে হায়বা খঙবা ঙমখি।

মখা লামায় ৩ কলম ৭





এ টি এম কার্দ স্কিমিং তৌবদা চেন্নবা অহুম ফারে হায়না সী আই দি-ক্রাইম ব্রাঞ্চকী এস পি জোইস লালরেমাৱিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকপা (ওই), চেন্নবা মীওই ফারগা পুলিসতা শিন্নখিবা পাউচে অসিগী ষ্টাফ সগোলশেম জোন্সন (য়েৎ)

## লোক্তাক্কী কম্প্রিহেন্সিভ প্লান শেম্লগনি, সর্ভে তৌনবা য়ুরোপিয়ন টিম কন্টেক্ট তৌখ্রে : সী এম

### ষ্টেট মেটচিং স্যেরগী শেনফম পীক্লা হাপ্লবদি করম্না সেন্ট্রেল স্কিমশিং পায়খৎকদৌরিবনো : ইবোবী

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): লোক্তাক পাৎকী কম্প্রিহেন্সিভ প্লান অমা শেম্লগনি। সর্ভে তৌনবগীদমক য়ুরোপিয়ন টিম অমা কন্টেক্ট তৌখ্রে হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙসি এসেম্বলী মীফমদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি এসেম্বলী মীফমদা এপ্রোপ্রিএসন বিলগী খন্নরকপদা এম এল এ কয়ানা পুখৎনরকখিবা ৱাফমশিংগী পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, লোক্তাক পাৎ কন্নবগীদমক লৈঙাক্লা য়াম্না কন্না হোৎনরি। কম্প্রিহেন্সিভ প্লান অমসু শেম্নবা মীৎয়েং থম্লি। সর্ভে তৌনবা য়ুরোপিয়নগী টিম অমা কন্ট্রেক্ট তৌখ্রে। লোক্তাক পাৎ কনবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। দিল্লিদা ভবন অনী অমসু লাক্লগনি। দ্বারিকাদা ভবন অমা শারগনি। গুরগাউনগী লমগী মতাংদা মতম শাংনা অরুবা ফীভম অমদা লৈরকখিবা অদু ষ্টেট লৈঙাক্লা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা হৌজিক য়ানবা ফীভম অমা লাক্লে। গুরগাউনগী মফম অসিগীদমক ষ্টেট অদুগী লৈঙাক্লা য়াম্লবা শেনফম পেনাল্টি ওইনা থিনবা খঙহল্লকখিবা লৈবনি। অদুবু সেন্টরগী লুচিংবশিংদা তক্লরবা মতুংদা হৌজিক লুপা ক্রোর ১৫ থিরগা য়ানবগী ফীভম লাক্লে। মসি নুংঙাইবা পাউ অমনি। গুরগাউনগী মফম অসি য়াম্না তাঙবা ওই। লম একর ৫ রোমগীনি।

ষ্টেট অসিদা নুপী-অঙাংদা চথবা ক্রাইম হন্থহন্নবগীদমক লৈঙাক্লা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। ক্রাইমদা চেন্নবশিংগী মথক্তা চপ চাবা এক্সন লৌখৎনবগী খোঙথাংসু পায়খৎলি। দি এন এ টেষ্ট তৌনবা মেছিন লৈনবগী প্রোসেস তৌরি। লুপা ক্রোর ৩.৫ রোম নির্ভয়া ফন্দগী মখাদা থাদোরক্লে। সেন্ট্রেল স্কিমশিং মপূং ফানা পায়খৎপা য়ানবা চপ চাবা শেনফমশিং হাপ্লি। তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদা সেন্ট্রেল স্কিমশিংগী ষ্টেট মেটচিং স্যের পুথোকপা ঙম্নবা শেল হাপ্পী। মসিগী মথক্তা তঙাইফদবা ফীভম লাকপদা

...মখা লামায় ৩ কলম ৭





### এপ্রোপ্রিএসন য়াওনা বিল ৩ পাস তৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী ১০শুবা সেসনগী ঙসি অরোইবা নুমীৎতা এপ্রোপ্রিএসন বিল য়াওনা বিল অহুম পাস তৌখ্রে।

ঙসি হাউসতা পাস তৌখিবশিং অদুদি, মণিপুর এপ্রোপ্রিএসন (নম্বর ২) বিল, ২০২০, সেলেরিজ এন্দ

...মখা লামায় ৩ কলম ২

### অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম-ব্লিগী টর্ম অহুল্লক মেম্বর ওইরম্লবা দেন্নি শাইজানা লৈখিদবদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। লৈখিদ্রবনা পায়খৎলম্লা থৌরাংশিংবু শীংথারদুনা চেরোল অমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, উখ্রুল

...মখা লামায় ৩ কলম ২

### মৈ মমৃগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): কৈশাম্পাৎ সব-ষ্টেসনগী এসেম্বলি-১ ফীদরনা মৈ পীরিবা মফমশিংদা শেমজিন-শাজিনবগী থৌরাং লৌখৎকদবা মরম্না হয়েং অয়ূক পুং ১১দগী নুংথিল পুং ১ ফাওবা ওল্ড লম্বুলেন, জি পি কোলেজ, অহানবা এম আরগী কেম্পস, কেলিচানা য়োনফম অমদি ইমা কৈথেলদা মৈ ফংহনবা ঙম্লোইদৌরি। খূদোংচাদবা অসিগী-দমক নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি হায়না এম এস পি দি সী এলগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

### অমা তান্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরনা লৌদুনা পাঙ-থোকপা হায়র সেকেন্দরি এগজা-মিনেসনগী ফিলোজোফি সবজেক্ট থোকপা নুমীৎতা ঙসি ইমান্যুএল ইংলিশ স্কুল য়াইঙংপোকপীদা মহুৎ শিল্লগা এগজাম থারম্বা মীওই অমা তান্থোকখ্রে। কাউন্সিলনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না তান্থোকখ্রবা মহৈরোয় অদুগী রোল নম্বর ৬৬০নি। মহৈরোয় অসি মখা তাবা এগজামশিংদা শরুক য়াহল্লরোই হায়রি।

## ঐখোয় মশেল খৎনবগী মহুৎতা মরম থিগৎমিন্নবা মথৌ তাই : সুনিল করাম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮(ঐচ এন এস) : চৈ থারক্লে হায়না ঐখোয় মশেল খৎনবগী মহুৎতা চৈ থারক্লিবদু কনানো থিগৎমিন্নবা মথৌ তাই হায়না চিংমৈরোংদা লৈবা অমিটি হোলদা পাঙথোকখিবা ইন্দিজেনস মাইনোরিটিজ সোসিও কলচরেল ওর্গনাইজেসন মণিপুর (ইমসকোম)গী ৫শুবা মপোক কুমওনগী থৌরমদা য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট সুনিল করাম্না ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মণিপুরদা লাক্লিবা কুমজা ২০২১ ফাওবগী মনুংদা রেলৱে য়৏রক্লবা পায়খৎলক্লিবা থৌরাং চাউখৎলকপা মতুংইন্না অফবা খোঙথাং অমনি। মদুবু কনা অমত্তনা থিংবা ঙম্লোই। মদুগী কান্নবা ঐখোয় পুম্নমক্না লৌহনবা হোৎনমিন্নগদবনি তৌবতবু চাউখৎ খোঙথাং অদুনা ঐখোয়গী য়েলহৌমীশিংদা অমদি মশীং য়ামজদ্রবা ফুরুপশিংদা পীরক্কদবা শাফুশিং অদুদগী ঙাকথোকহৌনবা ঐখোয়

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## লেজিসলেটিভ কাউন্সীল শেম্বগী ৱারেপ রিএফার্ম তৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): লেজিসলেটিভ কাউন্সীল শেম্নবা তকশিন্নবগী মতাংদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলী মীফম্না মমাঙদা লৌখিবা ৱারেপ অদু রিএফার্ম তৌনবা ঙসি চথখিবা সেসনদা লেপ্পখ্রে।

এপ্রোপ্রিএসন বিল খন্নরকপদা এম এল এ, আর কে ইমোনা লেজিসলেটিভ কাউন্সীলগী মতাংদা পুখৎলদুনা হায়খি, মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীনা ষ্টেট অসিদা লেজিসলেটিভ কাউন্সীল শেম্নবগী মতাংদা মমাঙদা ৱারেপ লৌরম্বা লৈরে। হৌজিক অসামদসু লেজিসলেটিভ কাউন্সীল শেম্বগী ৱাফম য়াম্না কন্না চঙশিল্লক্লি। মণিপুরগীসু য়াওহৌনবা হোৎনবা তঙাইফদে। লেজিসলেটিভ কাউন্সীল অসি শেম্বা তারবদি মণিপুর লেজিস-লেটিভ এসেম্বলী মীখলদা মীহুৎ কাবা ঙমদবা মাইনোরিটি ফুরুপ কয়াগী মীওইশিংসু মেম্বর ওইবা য়াবগী খুদোংচাবা ফংলক্কনি। ষ্টেট অসিগী ওইনা তোঙান তোঙানবা লম কয়াদা মশক নাইবা অহল-লমন অমদি মীওই

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## কুনমরিশুবা নেতাজি নীংশিং নুমীৎ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): এমসু হেদ ক্বার্টরসকী মীৎয়েং মখাদা এমসু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরিদা লৈরিবা লৈখিদ্রবা থোকচোম নেতাজিগী নীংশিং য়ূম্বীদা মহৈরোয়শিং, জোনষ্টোন স্কুলগী ওজাশিং, ষ্টাফশিং অমদি এমসুগী তোঙান-তোঙানবা মফমদগী লাকপা থৌমীশিং শরুক য়াদুনা লৈখিদ্রবগী নীংশিং য়ূম্বীদা হৈ-লৈ কৎতুনা ২৪শুবা নেতাজি নীংশিং নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে।

এমসু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট থোকচোম বসন্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কুমজা ১৯৯৬কী ফেব্রুৱারী ২৮দা থোকখিবা লাইবক থীবা থৌদোক অমদা জেনষ্টোন হায়র সেকেন্দরিদা ক্লাস ইলেভেন সাইন্স তম্লিবা চহী ১৬তা ঙাইরিবা মহৈরোয় থোকচোম নেতাজি লৈখিদবনি। মহাক্না ময়ূমদগী স্কুল চৎনবা কক্ৱা নামৈরাকপম লৈকাই, বিনি লৈরক্তা গাড়ী ঙাইরিঙৈদা খঙহৌদনা নোংমৈ কাপ্পরকপদগী হাইদোরকপা মরুনা

...মখা লামায় ৩ কলম ৩

### হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

## মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি



**খুন্দ্রাকপম রঞ্জিৎ, খাঙবোক খুল্লাকপম লৈকায়**

লৈঙাক্লা অচেৎপা ফীরেপ অমগা লোয়ননা পায়খৎলিবা স্কিমশিং অসি খরমখৈদি মায় পাক্লে হায়না লৌবা য়ারে। স্কুল ফগৎহনসি মিসননা লমদম অসিগী স্কুলশিংবু অমুক হন্না ময়োন চোংহল্লে। অদুবু গ্রাসরুট লেবেলদদি মঙম শানবা ঙমদ্রি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। লৈঙাক্লা টেবল ৱর্কতগী ফিল্ড ৱর্কতা হেন্না মায় ওনশিনবনা ফগনি খল্লি। ষ্টার্ট অপকী মতেংনা ঙসিদি লমদম অসিদা নহা ওইরিবা ওন্ট্রপ্রেনিয়র কয়া অমসু উবা ফংলে। চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাঙনা পান্থৈ লৈজদ্রবা মীয়ামদা কানবা পীবিবা য়াম্নমক নুংঙাই। অদুবু লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা স্কিম খুদিংমক খুঙ্গংগী মীয়াম্না মমুৎ তানা খঙবা ৱাৎলিবসি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা মীয়ামগা হকথেংননা উনবিরবদি খঙহনবা ঙমগনি খল্লি। মদু নত্রবদি ফনা য়াম্না হোৎনরগসু স্কিম অদু মায়পাকপা ৱাগনি। অসিগুম্লবা লমদম অসিগী মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসি খঙবিরদুনা ঙসিগী লৈঙাক্লা পুকচেল শেংনা হোৎনবিরক্কনি হায়বগী অচৌবা থাজবা লৈ।



**পুখ্রম্বম বিরমঙ্গোল, লাইরেঞ্জম মেকোলা**

ইম্ফাল সিটিবু স্মার্ট সিটি ওইনবা লৈঙাক্লা য়াম্না কন্না হোৎনরক্লিবসি য়াম্না ফৈ। স্মার্ট সিটিগী পায়খৎলকপা থবক-থৌরমশিংগী মনুং চন্না ইম্ফাল সিটি মনুংদা অথাপ্পা মণিপুরগী লোইজিং-লোয়াদগী লাকপা মীওইশিংগীদমক অহোংবা মমলদা লৈনবা মফম অমা লৈঙাক্লা শেমহন্নিংই। মদুনা অথাপ্পদগী লাকপা মীওইশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং খরমখৈ কোকহনবা ঙমগনি। লোয়ননা ইম্ফাল সিটি মনুংগী মফম কয়াদা মশা-নান্‌বা মপান থোকফম থমহন্নিংই। লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা স্কিমশিংগী কান্নবা ফংনবা হোৎনবা অরাইবা ওইদে। তঙাইফদবা দোক্যুমেন্ট কয়া পীশিনখ্রবা মতুংদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা য়ারনি হায়না লৌশিল্লগসু কোন্না দোক্যুমেন্ট অৱাৎপা কয়া লৈরে হায়রকপনা স্কিম অদুগী খুদোংচাবা ফংদবসু য়াওনরি। মরম অদুনা হীরমসিদা লৈঙাক্কী অখন্নবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই। লোয়ননা লমদম অসিগী মীয়াম্না ট্রাফিক্কী চৎন-কাঙলোন ঙাক্লা চৎনবা হোৎনমিন্নবা পামজৈ। মদুনা পুম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি।

email id: hueiyen_lanpao@rediffmail.com,
hueiyen_lanpao@yahoo.co.in
Whatsapp No.: 9774803145

## HL Poll

Q: Centre na RIMS pu AIIMS ki thakta pukhatlaknaba hotnagani hairiba wafam asi oithokpa ngamgani haina khanbibra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Manipurgi mangkhraba wetlandsing nouna shemgat-pagi thabaksing mari leinaba departmentna mapung fana paikhatli khanbra?

Yes 03% No 97%

### অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ২৯.৮৬ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ৫.৫৭ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৫.৩৮
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.১৬

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

### অস! লোইরেহে!

- সার, সারবু উনগেনা লৈশাবী য়াম্না লাক্লি...!



- য়াওশঙ লোইরগা লাকউ হায়য়ু!

## লুপা ক্রোর ২৭ লোমগী হিরোইনগা কোন্ননা ফাখিবা লুখোসৈ জৌ কোর্টতা সরেন্দর তৌরকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮(ঐচ এন এস): কুমজা ২০১৮গী জুন ২০দা নার্কোটিক্স এন্দ এফেয়র্স ওফ বোর্দর (এন এ বি) পুলিস ষ্টেসননা এম্ফেটামাইন টেব্লেট কিলোগ্রাম ২৮ লোম য়াওনা লুপা ক্রোর ২৭ লোমগী হিরোইন পাউদরগা লোয়ননা হকথেংননা ফাখিবা মতম অদুগী ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল চান্দেলগী চ্যেরমেন ওইরমখিবা মোরে ৱার্দ নম্বর-২দগী লম্ফেলদা লৈবা ভি আই পি ক্বার্টর নম্বর-১দা লৈরকখিবা লুখোসৈ জৌ এলিয়স সেসাই জৌ (৫১) অপোকপা লৈখিদ্রবা থাংমাং জৌ কোর্টতা সরেন্দর তৌরকখিবগা লোয়ননা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে।

ঙসি লম্ফেল কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা স্পেসল কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস), মণিপুরদা মহাক মশা লাক্তুনা সরেন্দর তৌখিবনি। লোয়ননা মহাক্কী ক্বার্টরদগী ফাগৎখিবা য়াম্লবা দ্রগশিং অদুগী মতাংদা এন এ বি পি এসনা থাগৎলকখিবা চার্জশীটতা য়ূম্ফম ওইদুনা পাঙথোরক্লিবা কেসকী ৱায়েলদা মহাকসু য়াওজগে হায়দুনা প্রেয়র তৌরকখিবনি। কোর্টনা মহাক্লা চঙজরকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী প্রেয়র অদুদা অয়াবা পীখি। অদুবু কেস অসি হান্নদগী মসিগী মখা তাবা ৱায়েলগী শরুকশিংদা প্রোজিক্যুসন ৱিটনেসশিং এগজামিন তৌনবগী মতম হয়েং ওইনা লেপখিবনা মহাকসু কোর্ট অসিদা হয়েং পুথো-রক্লবা দিরেক্সন পীখি। লোয়ননা কেস অসিগী রেলিভেন্ট পেপর (আর পি) শিংসু ফর্নিশ তৌখি।

পনবা য়াবদি, চান্দেল এ দি সীগী চ্যেরমেন ওইরম্বা মীওই অসিগী ক্বার্টরদগী য়াম্লবা দ্রগশিং অসিগী মথক্তা নোংমৈ অমদি শেলশিংসু এন এ বিনা চথখিবা রেইদ অদুদা ফাগৎখিবনি। লোয়ননা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ফাগৎখিবা মহাক য়াওনা অতোপ্পা একুজশিংগী মথক্তা কেস এফ আই আর নম্বর ৪৩ (৬) ২০১৮ রেজিষ্টর তৌদুনা

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## নোঙাদা রেপ কেসতা চেন্নবা মীওই পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে, চিংনবা অমনা বেল পীখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮(ঐচ এন এস): থা অসিগী ২৬কী নুমিদাংদা লম্লাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা শান্তিপুর হায়রগসু খঙনবা নোঙাদা মনিং লৈকাইগী হিরিপাৎ লৌকোনগী মফম অমদা মশাগী চহী ১৩ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমগী ইকাই খুম্নবা মাঙহনবীখিবনি হায়বা থৌদোক্তা চেন্নবনি হায়বা মীওই অমা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখিবগা লোয়ননা থৌদোক অসিদা চেন্নরমগনি চিংনবা মীওই অমনা কোর্টনা বেল পীখ্রে।

পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রবা মীওই অদুগী মমিং সনসম মালেমঙানবা এলিয়স ঙানবা (২৪) কৌই। শওম্বুং ভি দি এফ পোষ্ট লৈরক্তগী এস ইনাওগী মচানুপানি। মহাক মথং থাগী ৪ ফাওবা স্পেসল কোর্ট (পোক্সো) ইম্ফাল ইষ্টনা ঙসি পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখিবনি। অদুগা থৌদোক অসিদা চেন্নরমগনি চিংনবদগী পুলিসনা ফাগৎখিবা শওম্বুং থোংখোঙদগী লাইশ্রম তাঙবা এলিয়স চিংলেনসনা (২৩) অপোকপা জিলাঙম্বুদি কোর্ট অসিনা লুপা লিশিং ৫০গী পর্সনেল রিলিজ (পি আর) বোন্দ অমসুং মসিগা মান্নবা স্যুরিটি অমগদা বেল পীখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ৱিমেন পুলিস ...মখা লামায় ৩ কলম ৩

## থবক ফংদবা মীওই ৩,৩৪,৮২৭ হেন্না লৈরবসু লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংদা ফম কয়া হাঙদুনা লৈরি

**ডা. খাইদেম অথৌবা**

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮(ঐচ এন এস): লৈঙাক্লা ষ্টেট অসিদা থবক ফংদবগী প্রোব্লেম কোক্লবা থবক কয়া পায়খৎলে হায়রবসু কুমজা ২০১৯গী নবেম্বর থা ফাওবদা চাউরাক্লা ষ্টেট অসিদা থবক ফংদবা মীওই ৩,৩৪,৮২৭ হেন্না লৈরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি। লমদম অসিদা মশীং য়াম্লবা থবক ফংদবা মীওই কয়া লৈনা-লৈনা লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট কয়াদা ঙসিসু পোষ্টশিং হাঙহন্দুনা করিগী থম্লিবনো হায়বগী ৱাহং মায়কৈ কয়াদগী হংনরক্তবসু নত্তে।

পাউচে অসিনা দিরেক্তোরেট ওফ ইমপ্লোয়মেন্ট মণিপুরদগী ফংবা কুমজা ২০১৯গী নবেম্বর থা ফাওবগী রিপোর্ট মতুংইন্না ষ্টেট অসিদা থবক ফংদ্রিবা নুপা ২২৭২৪৭ অমদি নুপী ১০৭৫৮০ য়াওনা পুন্না মীওই ৩৩৪৮২৭ হেন্না লৈরি। মতম চানা লৈঙাক্লা থবক ফংদবগী প্রোব্লেমশিং অসি কোক্লবা হোৎনহৌদ্রবদি চহী খরগী মনুংদদি থবক ফংদবগী চাং য়াম্না হেনগৎলক্লগনি। কুমজা ২০১৯গী দিসেম্বর থা খক্তদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৩৩২, ইম্ফাল ইষ্টকী ২৬৪, থৌবালগী ১৩৯, বিষ্ণুপুর ৪৫, চুরাচান্দপুর ৩৩, উখ্রুল ২৩, সেনাপতি ১৯, তামেংলোং ৩১, চান্দেল ২৫, ফিজিকেল

...মখা লামায় ৩ কলম ৪







HL-P/6156/15/2-20/3